**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অনিসুবা মালেমগী লাঞ্জাউদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা আই.এন.এগী কর্নেল শৌকৎ অলি মালিকনা মোইরাংদা ভারতকী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখৎখিবা নুমিৎ অদুবু নিংশিংদুনা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

২) মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৩) মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী কমপ্লেক্সতা নেসনেল ফয়ার সার্ভিস ৱিক ওবজার্ভেসন ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) দিজিতেল পার্সনেল দাটা প্রোটেক্সন এক্ট ২০০৩ গী মখাদা আর.টি.আই এক্ট ২০০5 গী সেক্সনদা শেমদোকখিববু হন্দোকবা ইন্দিয়ান জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না তকশিল্লি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী চহি ১১ গী খোঙচৎ অসি বাবা সাহেব অম্বেদকরগী ৱাখল্লোন অমদি পাউজেলনা লমজিংদুনা লাক্লি।

------

রাজ্যপাল(এল)ঃ রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা ঙসি মোইরাংগী আই.এন.এ মার্টিয়রস মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা চত্তুনা মালেমগী অনিসুবা লাঞ্জাউগী ১৯৪৪ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা আই.এন.এগী কর্নেল শৌকৎ অলি মালিকনা মোইরাংদা ভারতকী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখৎখিবা অদুবু নিংশিংদুনা নেতাজি শুবাস চন্দ্র বোসকী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

মফম অদুদা পাঙথোকপা, ভারতকী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখৎখিবা নুমিৎকী ৮১ শুবা কুমওন থৌরমগা মরি লৈননা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- পুৱারীগী লমায়দা ময়েক লানা লৈরগদবা নুমিৎ অসি লৈবাক অসিগী নিংতম ইহৌগী খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইবা তাঙ্কক অমনি। বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্তগী অহানবা ওইনা নিংতম্ম ফংদুনা মোইরাংদা ভারতকী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখৎখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা নিংতম্বা তানবগী থৌনা, ইথিল হেন্না হাপখি। নেতাজি সুবাশ চন্দ্র বোসকী লিচিং মখাদা আই.এন.এনা মীয়ামগী অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং থৌনাগা লোয়ননা ভারতপু নিংতম্বা ফংনবা হোৎনখি।

রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমদি আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরি মোইরাংনা শিনবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ থোঙাম শান্তি, রিটায়ার্দ লেফটনেন্ট জেনেরেল কে. হিমালয় সিংহ, আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয় য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

পালন থৌরম অসিগী মনুং চন্না পিছ মেমোরিয়েল মাইবম লোৎপা চীংদগী বাইক রেল্লি অমসু লমথাখি।

চৈরাউবা (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হৱাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংদা ধর্ম্মগী ওইবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকপা, কুম অমগী অনৌ অপেনশিং মপুগী মফমদা কৎলবা মতুং মথেল লুকোই শেমদুনা অমগা অমগা লান্নবা অমসুং নুংথিলগী মতমদা মনাক নকপা চীংদা কাবনা কুম্ন্হৈ অসিগী মপুং ওইনা শক্তম ওইখি। নুমিদাংগী মতমদনা মফম কয়াদা ঔগ্রি হঙ্গেল চোংবগী থৌরম পাঙথোকরি।

ফয়ার (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রালয়গী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা শিন্দুনা নুমিৎ ৭ নি চুপা চথ্বগদবা নেসনেল ফয়ার সার্ভিস ৱিক ওবজার্ভেসন ঙসি ইম্ফালগী এম-সেক্তরদা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

যুনাইট টু ইগনাইট, এ ফয়ার সেফ ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা পাঙথোক্লিবা চয়োলগী থৌরম অদুদা দাইরেক্তর জেনেরেল, ফয়ার সার্ভিস, সিভিল দিফেন্স এন্দ হোম গার্দ, গৃহ মন্ত্রালয়না পীবা এৱার্দ ওফ কম্মেন্টেসন সার্তিফিকেট এন্দ দিস্ককী ব্রোঞ্জ কেটগোরিদা য়াওরকখ্রবা- ইম্ফাল ফয়ার ষ্টেসনগী সব-ওফিসার অমকচম জিলাঙম্বা সিংহ অমদি ফয়ারমেন ওক্রম নিংথেম মৈতৈ লোয়ননা মোরে ফয়ার সবষ্টেসনগী ফয়ারমেন ইসা অহমদতা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। চহি খুদিংগী মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তরনা পীবা মনা বেষ্ট ফয়ার ফাইটর ওফ দ ইয়ার ২০২৫ স্ তোঙান তোঙানবা ফয়ার ষ্টেসনশিংদগী খনগৎলবা ফয়ার ফাইটর ১০ দা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর এল. নবচন্দ্রনা হায়- ইং কুমজা ১৯৪৪ গী এপ্রিল ১৪ দা বোম্বেগী হিথাংফম ভিক্তোরিয়া দোক্তা খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবা জহাজ অমবু কন্নবা হোৎনবদা ফয়ার সার্ভিসকী ওফিসার য়াওনা ফয়ারমেন কয়া থৱায় থাখিবা অমদি কয়া অমনা মপুন্সি চুপ্পা শোইনাইহনখ্রবা থৌদোক অদুবু নিংশিংবা ওইনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসি নেসনেল ফয়ার সার্ভিস ৱিক হায়না পালন তৌদুনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎতুনা লাক্লি।

আইজেয়ু (এল)ঃ দিজিতেল পার্সনেল দাটা প্রোটেক্সন (দি.পি.দি.পি) এক্ট ২০০৩ গী মখাদা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর.টি.আই) এক্ট ২০০৫ গী সেক্সন ৪৪ ক্লোজ থ্রি শেমদোকখিববু হন্দোক্নদবনি হায়না ইন্দিয়ান জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আই.জে.য়ু)না ফোংদোরক্লি।

আই.জে.য়ুনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- আর.টি.আই এক্টতা নৌনা শেমদোরক্লিবা অসিনা পাউমীশিংগী মথৌ পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা

মায়োকহনবতা নত্তনা গনতন্ত্র ৱাহন্থোক্তসু অকায়বা পীরি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- আই.জে.য়ুনা হায়রিবা এমেন্দমেন্ট অসিগী মায়োক্তা লেপ্লিবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, আর.টি.আই এক্তিভিষ্টশিং অমদি বিরোধি দলশিংগসু পুন্না লেপমিন্নগনি। অথুবা মতমদা হায়রিবা এমেন্দমেন্ট অসি অমুক হন্না শেমদোক্কুনা ইনভেষ্টিগেতিভ জরনেলিজম তৌরিবা অমদি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা গনতন্ত্রগী অশেংবা ৱাহন্থোক অসি লৈহন্নবা সরকারনা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগা ফম্মিন্নদুনা হোৎনবীয়ু হায়নসু য়ুনিয়ন অসিনা আপীল তৌরি।

নুরুল(এল)ঃ ফুটবোল মশান্নদা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লিগ অমা ওইরিবা অনিসুবা মণিপুর প্রিমিয়র লিগ তা এথলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসন (অবা) ক্ষেত্রিগাউনা শরুক য়াবা ফংলকপদা অবা ক্লবনা এম.এল.এ শৈখ নুরুল হাসনবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ক্ষেত্রি ময়াই লৈকাইদা লৈবা অবা ক্লবকী কমপ্লেক্সতা এম.এল.এবু ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ নুরুল হাসসন্না হায়- মণিপুরগী অরিবা ক্লব অমা ওইরিবা অবা ক্লবনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিনবা লিগশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা লিগ অমা ওইরিবা মণিপুর প্রিমিয়র লিগতা শরুক য়াবা ফংলকপা অসি থাগৎনিঙাইনি। অবানা মাংজিল থাবা ক্লব অমা ওইরকপা হায়বসি কেন্দ্র অসিগী ওইনদি লাইবক ফবনি। লাক্কদৌরিবা অনিসুবা মণিপুর প্রিমিয়র লিগ অসিদা শৈখ বাবু মচা মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌরগনি হায়নসু এম.এল.এনা লাউথোকখি।

ওতিজম (এল)ঃ কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না এপ্রিল ২ দগী হৌরগা এপ্রিল থা অসিমা চুপা ৱার্ল্ড ওতিজম এৱারেনেস ৱিককী পালন লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি।

পালন থৌরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএমিলিতিজ মণিপুর ৱাইখোম বিরাহরিনা হায়- চহি ৫-৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মশাগী ব্রেন শেমগৎ শাগৎপগী তাঙ্কক্তা লৈরিবা

অঙাংশিংদা ওতিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দরগী থৌওংশিং থেংনরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা মমা মপা, ওজা অমদি মরী লৈনবা খুদিংমকা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা চংই।

অমুকো (এল)ঃ  ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগা লোয়ননা কাংলুপ অমনা কাংলুপ অমগী থম্মোয় শোকবা থবক তৌবীদনবা আপীল তৌরি।

লুপ অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়- লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মাইকৈ অনিগী মীওইশিং ফম্মিন্নদুনা ৱারী শাবা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়না অমুকোনা চেৎনা থাজৈ।

ৱাকৎ(এল)ঃ    হৌখিবা মার্চ ৩১ দা পুলিসনা ফারবা মতুংদা জ্দিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরকপা খুরাই নিংথৌবুংদগী খোইস্নাম সনাজাউবগী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়বা দাবী তকশিন্দুনা ঙসি মফম অদুগী মীয়ামা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পুং ২৪ গী মতম থাদুনা মীহাৎ অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা তকশিনখি।

গোসে(এল)ঃ    মণিপুরগী শকাইরবা খুনুং ঈশৈ শৈশকপা থোঙাম গোসে মৈতৈ ঙসি লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭৫ শুখ্রে। গোসে মৈতৈ মশাগী অনাবা অমদগী ইম্ফালগী নাগামপাল শিংজ্বুং লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবনি। মহাক অকাশবানি ইম্ফালগী বি.গ্রেদ আর্টিসনি। মহাকা হিংলৈঙৈ মতমদা মণিপুরী খুনুং ঈশৈগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিং থোইদোকা শিংথানিঙাইনি।

থোঙাম গোসে মৈতৈনা লৈখিদবদা ফিলম একাদমি মণিপুরনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

অম্বেদকরঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী চহি ১১ গী খোঙচৎ অসি বাবা সাহেব অম্বেদকরগী ৱাখল্লোন অমদি পাউজেলনা লমজিংদুনা লাক্লি।

ৱাফম অসি ভারত সংবিধানবু শেল্লম্বা ডা.বি.আর অম্বেদকরগী ১৩৪ শুবা মপোক ক্‌মওনগা মরী লৈননা হরিয়ানাগী হিসারদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। শ্রী মোদিনা হায়- সরকার অসিগী ৱারেপ খুদিংমক, মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসি ডাঃ অম্বেদকরনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিংদা যুম্ফম ওইবনি।

নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিদা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, লোক সভা অধ্যক্ষা ওম বিরলা অমদি সংসদ সধ্যসশিংনা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা লৈবা ববা সাহেবগী মীতমদা ঙসি অয়ুক লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়- ভারতকী সংবিধান শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা বাবা সাহেব অম্বেদকরগী ৱাখল্লোনশিং অমদি মহাকা পামজরম্বা অপুনবা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্দুনা লৈবাক অসিদা অমসুং রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিনা ২১ শুবা চহি চা অসিদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে অমসুং সরকার অসিনা মীয়ামগী খনবা অমদি বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা অচুম্বা ফংহন্নবা কন্না হোৎনরি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া ফোরেন্সিক সাইন্স সম্মিৎতা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়- সরকার অসিনা মতম চানা মীয়ামদা অচুম্বা ফংহন্নবা চোকথবা লৈতনা হোৎরি অমসুং অচুম্বশিং ফংহল্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা অচুম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা ফোরেন্সিক সাইন্সনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

থৌরম অদুদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ, জষ্টিস রাজেশ বিন্দা, নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারমেন থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস রামাসুব্রামনিয়ম, এতোর্নি জেনেরেল ওফ ইন্দিয়া আর. ভেনকতারমন অমদি অতৈ শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, সোসিয়েল মিদিয়া থাগৎলকপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রি হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সরকার অসিনা ড্রগকী সমস্যশিং মুত্থৎনবা কন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংনা ইন্তরনেসনেল মেরিটাইম বোর্দরদগী লুপা কোতি লিশিং ১,৮০০ রোমগী মমল ওইগদবা নিশাগী পোৎলম কিলোগ্রাম ৩০০ ফাগৎপা ঙমখি। মসি সরকার অসিনা নিশা থিংনবা চংশিল্লকপা খোঙজংগী চাউনা মায় পাকপা অমনি।

রসিয়া ঃ ভারতনা য়ুনাইতেদ নেসন্স সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী লেংদ্রবা সদস্য ওইবদা রসিয়ানা শৌগৎলি হায়না অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে।

ভারত অমসুং রসিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা কুতনিতিগী মরীগী ৭৮ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা রসিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- মরুপ মপাং ওইবা লৈবাক অমা ওইরিবা ভারতনা চাওখৎলকপা অমসুং লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎলকপদা মোস্কোনা অপেনবা পোকই। লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ামা শাংলবা থাজনবগী মরী অমা লৈরক্লিবা অসি মখা তানা হেন্না চেশিনহন্দুনা মালেমগী ওইবা অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবা হোৎনরি।

নাগালেন্দ ঃ নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা ঙসি নাগালেন্দ সোলর মিসন হৌদোকখ্রে। মসিনা রাজ্য শিনবা থুংবদা য়ুমথকশিংদা সোলর প্লেটশিং থমদুনা মৈ পীবা ঙম্লগনি। থৌরাং অসি পি.এম শুরিয়াঘর মুফ বিজলি য়োজনাগী মখাদা পায়খৎপনি। মসিনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা মৈ ফংহনবা ঙমহল্লগনি। কোহিমাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি ৱাই. পেটোন, পৱার মন্ত্রি কে.জি. কেনয়ে, চীফ সেক্রেটরি জে.

আলম অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা পীরিবা সবসিদি অসিগী মথক্তা রাজ্য সরকারগী ওইবা সবসিদিশিং হাপচিনদুনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। স্কিম অসিগী মখাদা বেনিফিসরিশিংনা মৈ কিলোৱাট অনিগী ওইনা চাদা ৯৬ কী সবসিদি ফংগনি অমসুং কিলোৱাট অহুমগীনা চাদা ৮৫ ফংগনি। মহাকা হায়- শেনফম চহি ২০২৫-২৬ কী ওইনা মিসন অসিগীদমক্তা লুপা কোতি লিশিং ১০ কাইথোক্লে। মসিনা গ্রিন ইনর্জি, মৈগী খাজনা হন্থহনবা অমদি অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

স্বিম্মিং(এল)ঃ থা অসিগী ৫ দগী ১০ ফাওবা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা লৈবা এজ্মসন য়ুনিভর্সিতি এক্বাতিক সেন্তরদা পাঙথোকখিবা এরেনা থাইলেন্দ এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান ৩ অমসুং লূপাগী তকমান ৩ লৌরক্লে হায়রি। সেন্ত্রেল স্বিম্মিং ক্লব ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালগী শান্নরোইশিংনা মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা অদুদা মালেমগী ক্লব ৬৩ গী মনুংদা ক্লব অসিনা ১৩ শুবা রেঙ্ক তাখি।

মন্সুখ ঃ কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়া অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২৫ গী মাস্কোট অমসুং লোগো মায়খুম হাংদোকখ্রে। গেমস অসি চহি অসিগী মে ৪ দগী ১৫ ফাওবা বিহারদা পাঙথোক্কনি।

আরচরি ঃ আমেরিকাগী ফ্লোরিদাদা চত্থরিবা আরচরি ৱার্ল্ড কপকী ষ্টেজ ৱানদা ভারতকী ধিরাজ বোমা দেবরাজনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরে।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ(আই.পি.এল) ক্রিকেটতা ঙসি লখনৌ সুপর জাইন্সকা চেন্নাই সুপর কিংসকা লখনৌগী একা স্তেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি।

অমরোমদা, ভারতকী হান্নগী ক্রিকেট কেপ্তেইন শৌরপ গংগুলিবু আই.সি.সি মেন্স ক্রিকেট কম্মিটিগী চেয়রপর্সন ওইনা হাপখ্রে। ভি.বি.এস লক্সমনবুনা পেনেল মেম্বর ওইনা হাপ্লে।

------